# অওনবা খূনাই অমগীদমক লমদমসিগী সোসিও পোলিটিকেলদা মীৎয়েং থল্লিবা সনালৈপাক নাচোম অর্ষ্টিস এসোসিয়েসনগী "লৈকংলাদা থম্বাল"



সনালৈপাক নাচোম অর্ষ্টিস এসোসিয়েসনগী শুমাঙ লীলা "লৈকংলাদা থম্বাল" হৌখিবা চহীশিংগুম হন্দক পাঙথোকখিবা ৪৮ রক শুবা ওল মণিপুর শুমাঙ লীলা ফেষ্টিবেল ২০১৯-২০ দা লমজিংবা অর্ষ্টিস এসোসিয়েসনগা পূন্না অনীশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে।

তাইবঙ মীওইবনা লাইবক্তা তম্লমদুনা মলেমদা খোঙদারকপসি নুংশিবা হায়বা অদু খঙলগা হল্লকউ হায়বনি। অদুবু মীওইবা অয়াম্বনা নুংশিবা হায়বদুগী অশেংবা মশক খঙদনা হনখিবা ঙাক্তা ওই। কায়নবা নৎত্রগা থুঙনবনা নুংশিবগী পম্বুং লেপ্পা য়াদে। থম্মোয় হায়বা অসিদা নুংশিবা অমদগী হেন্না হাপ্পা চন্দে। হাপখ্রবসু লৌথোকপা য়াদে। য়াই হায়না ব্রাফংন্নরবদি শেংদবা নুংশিবনি অদুমকপু শীঙ্গারে অমদি য়োহেনবগী পূন্সিগী অঙনবা শরুক্তা অচৌবা চায়েং অমনি।

নুংশিবা হায়বদুসু ইনোৎ হাপ্পা ঙল্লিবা অপাম্বা মাগী মাগী মশিন, মৈতাননা ব্রাখৈবা মতমদু ফাওবা পূদুনা চৎকদবদুগা শাগোন্নদুনা লৈহৌবনা নুংশিবা শক্কদ্র হায়বা পাউখোঙ অসিবু শাগোন্নরিবা অইবা দোক্টর ধনবির লাইশ্রমনা ইবা লীলা অসি সনালৈবাক নাচোম অর্ষ্টিস এসোসিয়েসনগী সেনিয়র অর্ষ্টিস অমসু ওইরিবা ও প্রফুলোচন্দ্রনা লমজিং লমতাক্তুনা পুথোকপনি।

শুমাঙ লীলাগী জগৎতা হৌজিক ফাওবা খ্বাইদগী মশক মঙাল লৈনা পল্লিবা ফাগিরোয় অমা ওইনা শীংথান্নরিবা শৌগ্রাকপম হেমন্ত মীয়াম্মা ওজা তোলহল অসিনা মাইচৌ থম্বৌ হায়বা কেরেক্টর অমগী এক্টিং অমদি দাইলোকশিংনা অয়েংবশিংবু ঙাইহাক ঙাইহাক্তং ওইরবসু পোত্থহনবা ঙমখি। মহাক্না ফম্বাক্তা তৌরকখিবা ফাগিদুনা মীয়াম্বু পোত্থাহনবা ঙমখিবদু ফাগিরোয় অসিগী মায় পাকপনি হায়জনিংই।

লীলা অসিদা লেম্বা ( এম সোমোরেন্দ্রো)না নোংপোক ( এল দয়ানন্দা) অমদি চিঙ্খ্রে ( ব্রাই নিলচন্দ্র)দা নোংমৈনা কাপলম্বা মতুং দগী লীলা অসিদা ত্রেজিক সেন্সকী মহাও অমা পীরকখিবগী তরনিং পোইন্ট অমা লাকহনখি। লীলা অসিগী প্লোটতা হায়দোক হায়জিন তৌদুনা অয়েংবশিংগী মীৎয়েংদা খরা খজিক চোয়রপ, ককঙাওনরম্লবসু মতাং অসিদগী ত্রক ত্রক লাকশিন্দুনা পুবা ঙমখি।

থোয়দোক্না মতাং অসিদা লৈশেম্বা ( ও প্রফুলোচন্দ্র) লীলাগী ইহুল খঙনা এক্ট তৌরকপা ঙমখি। লোয়ননা মাইচৌ থম্বৌগী ফাগিসু ফাগিরোয় অমগী অশেংবা পূন্সিদা থেংনবা য়াবা ফাগিগী মচৎতা ফাগি তৌরকখি। শুমাঙ লীলাগী ভাবোকশিংনা মমাঙদগী হৌনা অশা চাউনা তৌদুনা লাকখিবা সনালৈপাক নাচোম অর্ষ্টিস এসোসিয়েসনগী মীয়াম্মা খৌরাংনা ঙাইরকপগী মহৈ য়ানখি হায়জনিংই।

লীলাগী অশম্বা ব্রারীদি– শীঙ্গারে মপামদা হল্লক্লে। মাবু থম্মোয় শেংনা নুংশিরিবসিনা চিঙ্খ্রেনি। অদুবু মবানি নুংশি ব্রায়থুংনবগী মহুত্তা শীঙ্গারে অতোপ্পা নুপা অমদা ময়ুম পানখি। য়ুম্বাল ব্রাইওং চাদবনা মহাক মপামদা অমুক হল্লকখিবনি।

অমরোমদা চিঙ্খ্রেদি শীঙ্গারেগী নুংশিবদা লুপ্লবা মীনি। মসিনা মরম ওইদুনা মাগী ওইবা সংসার অমদা মদোম লৈবগী ফীবমদুনি। লৈশেম্বা চিঙ্খ্রেগী মপানি। মীয়াম্মা য়াবা মীশক অমসুনি। মদুমক্না মীয়ামগী থৌজাল অমগা লোয়ননা লৈশেম্বা ভোট লেপ্পকই।






মাগী ইলেক্সনগী মরুওইবা মীশক অনীখক্না মাইচৌ থম্বৌ অমসুং নোংপোকনি। থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী সেবা তৌজনিংবা পোলিটিসিয়ান অমা ওইনা অইবনা লৈশেম্ববু লীলা অসিদা প্রোজেক্ট তৌরকই। লোয়ননা অইবগী লীলা অসিদা পাল্লিবা অওনবা খূনাই অমগীদমক লৈশেম্বদা মীৎয়েং থল্লকই।

লৈশেম্বগী রায়ভেলনি শীঙ্গারেগী মপা ইবোচৌবা মহাকপুনা হৌজিক মতমসিগী চপ চাবা পোলিটিসিয়ান অমা ওইনা অইবনা পোর্তেত তৌরকপনি। পোলিটিকেল ব্রিল লৈতবা মশাগীখক খনবা পোলিটিসিয়ান অমগী রোলদুনি।

মঙোন্দা শেল থুমগী মতেং য়াম্না চাউনা পাঙলিবসিনা লেম্বনি। মসিদা অমুক তোঙশিনল্লিবনা থোয়চৎ–ব্রাং চৎনবী ইবোচৌবগী নুপী অতোম্বী চাবীনি। মখোয় অনীনা ইবোচৌববু শুপায় পায়শিল্লকই। ভোট নকশিল্লকপগী মতিক পোলিটিকেল সেলসু কুনখৎলকখি। পুকচেল শেংবা লৈশেম্বগী মীনা মশীং অসুম অসুম হেনগৎলকই অদুগা লেম্বনা সর্পোর্টি তৌরিবা পুকচেল শেংদবা ইবোচৌবগী মীনা অসুম অসুম মশীং লীকশিনলকই। মীয়ামগী অপাম্বা অওনবগী মশক্তু মতাঙসিদা হেন্না চেৎশিল্লকই। ফিভমসিদা ইবোচৌবদু উপায় লৈতবদগী ফীভম অমা মায়োক্লরকই।

খনবা য়াবা খনলবা তুংদা অরোয়বদা লেম্বনা চিঙ্খ্রে অমসুং নোংপোকপু নোংমৈনা কাপ্পদা নোংপোক লৈখিদ্রে। মদুনা হেন্না মীয়ামগী সিম্পেথি পোকখিদুনা লৈশেম্বনা ইরায় লায়না ভোট কাখি। মতমদুদা মীয়াক্না পাম্বা অওনবা অদু শোয়দনা পুরক্কবা হোৎনগনি হায়দুনা লৈশেম্বনা ব্রাশকখি। মসিনা অইবনা পাল্লিবা লীলা অসিগী মপুং ওইবা ব্রারীনি।

মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৪৮ রক শুবা ওল মণিপুর শুমাঙ লীলা ফেষ্টিবেল ২০১৯-২০ দা অনীশুবা বেষ্ট প্রসক্সন, অনীশুবা বেষ্ট ডাইরেক্সন, অনীশুবা বেষ্ট স্ক্রিপ, অনীশুবা বেষ্ট এক্টর, অনীশুবা বেষ্ট এক্ট্রেস, বেষ্ট কোমিদিয়ান লোয়ননা বেষ্ট ফিমেল সিঙ্গরনি।

মনা ফঙবা ঙমখ্রবা লীলা অসিদা মরুওইবা শক্তম লাঙলিবশিংদি নুপাগী শক্তমদাঃ– ও প্রফুলোচন্দ্র, এনজি মঙ্গিয়াইমা, এসঐচ হেমন্তা, ব্রাই নিলাচন্দ্র, এম সোমোরেন্দ্রো, কেঐচ বোবি অমদি এল দয়ানন্দনি।

নুপীগী শক্তমদা– নরেসকুমার লৌরেম্বম, ঐচ তোম্পোক, পাঙ্গে ইন্দ্রজিৎ, কে মলেমঙানবনি। নুপা খোঞ্জেলদা কে জানেমন, নুপী খোঞ্জেলদা কে সনাতোম্বা, পেটদ্রম অমদি তম্লানা এন রোসনকুমার, গীটরনা আর কে জোনসন, কি বোর্দনা রিঙ্গো মোইরাং, বাসিনা এন থেনো, ঈশৈ ময়েক ইবনা ও প্রফুলোচন্দ্রা, ম্যুজিক ডাইরেক্টরনা এন ইবোমচা, লীলা ইবানা ডা. ধনবীর লাইশ্রম অদুগা লীলা অসিবু তাকপী তম্বীনা ও প্রফুলোচন্দ্রনি।

## মহৈরোইশিংগী খুদোল



*TITLE : SCENERY*
**Dhanakumar Laitonjam**
Class: III
Sec :Amethyst
Roll No- 30
School: HERITAGE CONVENT






*TITLE : KHONGJOM WAR MEMORIAL SWORD*
**Zoha A.B. Bogeemayum**
Class: I
Sec : A1
Roll No- 9
School:MI ACADEMY LANGTHABAL KUNJA








*TITLE : A GIRL*
**Goshila**
Class: III,
Sec :Amethyst
Roll No- 26
School: HERITAGE CONVENT



*TITLE :FLOWER*
Yengkhom Lanchenba
Class:II
Sec :,A
Roll No- 10
School:THE BLOSSOM SCHOOL






*TITLE : GIRL*
**Valencia Asem**
Class: IV,
School: THE BLOSSOM SCHOOL






*TITLE : SCENERY*
**Tista Soibam**
Class: IV,
Sec :Garnet
School: HERITAGE CONVENT






*TITLE : ROCKET*
**Demial Khaidem**
Class: VI,
Sec : Amber
Roll No- 57
School: HERITAGE CONVENT






*TITLE : HAYABUSA*
**Ronit**
Class: IV,
Sec : Amethyst
Roll No- 13
School: HERITAGE CONVENT






*TITLE : WOMAN*
**Ch.Crystal Lama**
Class: VI,
Sec : Amethyst
Roll No- 1
School: HERITAGE CONVENT





*TITLE :SAVE ENERGY*
**Keisam Langlen**
Class: VII,
Sec : A
Roll No- 6
School: Pitambara English School




APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
FORM ISSUE 14/02/2020
CRASH COURSE FOR NEET(UG) ASPIRANTS - 2020
CLASS STARTS 16/03/2020
SPECIAL CONCESSION FOR STUDENTS SCORING in X (2018)/XII Sc. (2018/2019)
* 85% & above - FREESHIP * 75% to 85% - 20% Concession
* 65% to 75% - 15% Concession * 60% to 65% - 10% Concession
ELIGIBILITY :- 10+2 (Sc) Passed/ Appeared COURSE FEE :- RS. 10,000/-
FOR DETAILS :- Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com